# ফোদর স্কেম : লালু প্রসাদ যাদব য়াওনা মীওই ১৫ মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীখ্রে

রাঞ্চি, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী):

সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লূচিংবা লালু প্রসাদ যাদব অমদি অতোপ্পা মীওই ১৫ শজিক লৈবগী ৱাথোক্তা মরাল লৈরে হায়না ৱায়েল পীখ্রে।

আর জে দিগী লূচিংবা অদু কোর্টতগী জেল তম্না পুখ্রগনি হায়না ন্যুজ রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি। লালু প্রসাদতা পীগদবা চৈরাক সী বি আইগী স্পেসল জজ শিবপাল সিংহনা জন্যুৱারী ৩দা লাউথোক্লগনি। অদুম ওইনমক বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা জগননাথ মিস্রা অমসু অতোপ্পা মীওই তরুক্তি কেস অসিদা মরাল লৈতে হায়না ৱায়েল পীখি।

কোর্টকী ৱায়েল লাউথোকখ্রবা মতুং পাউমীশিংগা উনবদা আর জে দি স্পোক্স-পার্সন মনোজ ঝাহনা হায়খি, ইন্দিয়াগী জুদিসিয়ারিদা চেৎনা থাজবা থমই। অদুবু কনাগুম্বা পোলিটিকেল পার্টি খরনা লালু প্রসাদ যাদবকী কাঙ্খুল মুৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে হায়বা ময়েক শেংনা খঙলে। অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগীদমক মখা তানা থেংনখিগনি।

অমরোমদা, বি জে পিগী লূচিংবা সুশিল কুমার মোদিনা লালু প্রসাদপু করেম্নবগী মওংদা হায়খ্রে মদুদি, ঐখোয়না তৌখিবা থবক অদুগী চপ চাবা মহয় শোয়দনা ফংগনি।

জনতা দল য়ুনাইটেদ (জে দি য়ু)গী স্পোক্সপার্সন নিরাজ কুমারনসু লালু প্রসাদপু শেঞ্জা থুমজাগী হৌরকফমনি হায়না ফোঙদোকখি।

কোর্টকী ৱায়েল পীরমদাইদা লালু প্রসাদনা মচানুপা তেজাস্বি যাদবকা লোয়ননা লাকখি। কোর্টনা ৱায়েল পীরক্লবা মতুংদা বিহারগী মীয়াম্না ঈং-তপ্পা লৈবগা লোয়ননা লোগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপীগনু হায়না মহাক্না আপিল তৌখি।

ত্বিটরদা থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা লালু প্রসাদনা হায়খি, কাঙলূপ নাইবা পার্টিগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবগীদমক কোর্টনা অরানবা ৱায়েল পীরক্কনি হায়বা থাজদে। জন্যুৱারী ৩দা কোর্টনা করি করম্বা চৈরাক লাউথোরকপগে হায়বদু ঙাইবা তাবনি।

মশামকপু বি আর অম্বেদকর, মার্তিন লুথর কিং অমসুং নেলসন মন্দেলাগুম্বা লূচিংবশিংগা চাংদম্নরদুনা মহাক্না হায়খি, কাঙলূপ নাইবা মীওইশিংনা অম্বেদকর, মার্তিন লুথর কিং অমসুং নেলসন মন্দেলাবু ফত্তবা মীনি হায়না লৌরবসু মীয়াম্নদি লাইপোক ওইনা লৌনরি। মতৌ অসুম্না শজিক লৈবগী ৱাথোক অসিদসু মীয়াম্না অচুম্বা ৱাফম শোয়দনা খঙগনি।

চৈরকসিদা, ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেট (ঈ দি)না লালু প্রসাদ যাদবগী মচানুপী মিসা ভারতিগী মথক্তা লুপা ক্রোর ৮,০০০ হেনবগী মন্তি লোন্দরিং কেসকা মরী লৈননা চার্জ সীট ফাইল তৌখ্রে।

দিল্লিগী পতিয়ালা হাউস কোর্টতা ঈ দিনা চার্জসীট ফাইল তৌখিবশিংগী মনুংদা মিসাগী মপুরোইবা অমদি অতৈ মীওই খরসু য়াওখি। কেস অসি জন্যুৱারী থাগী অহানবা চয়োলদা হিয়ারিং চথনবা মতম লেপখ্রে।

পনবা য়াবদি, লালু প্রসাদ যাদবকী নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা সী বি আইনা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ওইরম্বা মীওই অসিগী মথক্তা মরী লৈনবা চার্জশিং কোকপীবা য়ারোই হায়না পুখৎলকপা ৱাফম অমা সুপ্রিম কোর্টনা অয়াবা পীখ্রবনি।

শজিক লৈবদা য়াম্লবা শেনফম অমা নারোন্দা হৈনথোকখি হায়না লালু প্রসাদকী মথক্তা শীরকখিবা মরাল অমা কোকপীবা য়ারোই হায়না সী বি আইনা পিটিসন ফাইল তৌরকখি। পিটিসন অদুগী পাউখুমদা এপেক্স কোর্টনা লালু প্রসাদপু ট্রাইয়েল মায়োক্লনবা খঙহনখিবনি।

অমরোমদা, সী বি আইনা কেস অসিগা মরী লৈননা ঝরখন্দ হায় কোর্টতা আপিল পিটিসন ফাইল তৌবদা মতম থেংথহনখিবগী থৌওংবু এপেক্স কোর্টনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

সুপ্রিম কোর্টনা হায়খি, সী বি আইগী দিরেক্টরনা ৱাফম অসিবু য়াম্না মরুওইনা লৌবগা লোয়ননা মতিক চাবা ওফিসার অমদা কেস অসি পায়হনফম থোকপনি। মমাঙদা ঝরখন্দ হায় কোর্টনা আর জে দিগী লূচিংবা লালু প্রসাদকী মথক্তা থাঙ্গৎলকখিবা মরাল পুম্নমক কোকপীনবা ৱায়েল পীখি। ৱায়েল অদুগী মায়োক্তা সী বি আইনা সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা ফাইল তৌখিবনি।

সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা ৱায়েল পীখ্রবা মতুংদা আর জে দিগী লূচিংবা মনোজ ঝাহনা হায়খি, সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলুবগীদমক হন্থবা ফুরুপকী লূচিংবা কয়াবু অরানবা মওংদা মরাল শীবগী থৌওং য়ানিংদে। স্পেসল কোর্টকী ৱায়েল অসিগী মায়োক্তা আপিল পিটিসন অমা সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল তৌরগনি।



# বিজয় রুপানিবু গুজরাটক্কী সী এম ওইনা দিসেম্বর ২৬তা ৱাশক লৌরগনি

অহমেদবাদ, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী):

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)গী এম এল এশিং লূচিংবা খনখ্রবা বিজয় রুপানিবু দিসেম্বর ২৬তা গুজরাটকী চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি।

গান্ধীনগর সচিবলায়া গ্রাউন্দদা গভর্নর ওম প্রকাশ কোহলিনা বিজয় রুপানিবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়রি।

মমাঙগী গভর্ণমেন্টতা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা নিতিন পতেলনা হন্দকসু ফম অসি অদুমক পায়রগনি।

রাজকোট ৱেষ্ট এসেমব্লি কন্সটিট্যু-য়েন্সীদগী মায় পাক্লকখিবা রুপানিবু ইরাই নুমিত্তা পার্টিগী লেজিলেটরশিংনা লূচিংবা ওইনা খনখিবনি। অহানবদা স্মৃতি ইরানি অমসুং মনসুখ মন্দাবিয়াবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখিবনি। বি জে পিনা থংনা থংননা গুজরাটতা লৈঙাক পায়বা হন্দক্লা তরুক্লকশুবা ওইরগনি।

মীখলদা বি জে পিনা সিট মশীং কা হেন্না য়াম্না ফংবা ঙমখিদবা মরম্না রুপানিবু অমুক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লক্তবা য়াই হায়না থাজনখি। অপুনবা মেম্বর ১৮২ লৈবা গুজরাট লেজিসলেটিব এসেমব্লিদা বি জে পিনা সিট ৯৯ ফংবা ঙমখি।

কুমজা ১৯৯৫গী মতুং তারকপদা পার্টি অসিনা সিট ১০০ য়ৌনা ফংদবা হন্দক্লা অহানবনি। কোংগ্রেসকী ওইনদি হান্নদগী ফীভম ফগৎলক্তুনা সিট ৭৭ ফংবা ঙমখি। ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইখিবা মীওই অহুম্না শৌগৎলকপদগী হৌজিক্তি কোংগ্রেসকী মায়কৈদা এম এল এ ৮০ লৈরে।

অমরোমদা, বি জে পিগা থৌনা ফনা মায়োক্লবগীদমক পার্টি ৱার্করশিংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টে রাহুল গান্ধীনা হায়খ্রে মদুদি, মথংগী মীখলদা কোংগ্রেসনা মায় পাক্তুনা গুজরাটতা অনৌবা লৈঙাক অমা শোয়দনা শেল্লগনি।

পার্টি মনুংদা পুকচেল শেংদবা মীওই খরা য়াওবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেস ৱার্কর চাদা ৯৯না পার্টি অসি মায় পাকহন্নবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনখি। অদুবু মীওই খরদি পার্টিগী মায়োক্তা থবক তৌখি। মীওইশিং অদুগী মথক্তা মতিক চাবা থবক লৌখৎলগনি।

পার্টিগী ৱার্করশিংবু মপূক্লিং ফাথরদুনা রাহুলনা হায়খি, গুজরাটতা লৈঙাক পায়বা ঙমহৌদ্রবসু হন্দক্কী মীখলদা কোংগ্রেসনা মায় পাক্লে হায়না লৌবা য়াই। অচুম্বা অমদি নুংশিবা হায়বসিনা খুৎলাই ওইরগা কোংগ্রেসনা মীখল থেংনখিবনি। কাঙলূপ নাইবা কাঙবুনা অরানবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা মায় পাকখিবদা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদে।

মীখল মায়থিখিবগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, হৌখিবা চহী ২০ লোম বি জে পি অমসুং নরেন্দ্র মোদিনা কোংগ্রেসকী ৱার্কর অমদি লূচিংবশিং মিংচৎ থীহন্নবা থৌরাং লৌখত্তুনা লাকখি। মতম খরা মীয়াম্বু লান্না থাজহনবা তারবসু মথংগী মীখলদদি কোংগ্রেসনা মায় পাক্তুনা অনৌবা লৈঙাক অমা শোয়দনা শেল্লগনি।

চৈরকসিদা, হিমাচল প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর খন্নবগীদমক বি জে পি লেজিসলেটিব পার্টিগী মীফম অমা নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোক্লগনি।

পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট সতপাল সতিনা পাউমীশিংদা হায়খি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর নির্মালা সিতারামন অমদি নরেন্দ্র সিংহ তোমা লোয়ননা পার্টিগী ষ্টেট ইন-চার্জ মঙ্গল পান্দে য়াওনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম্না অনৌবা চীফ মিনিষ্টর অমা খল্লগনি।

য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টর জে পি নদা অমদি মঙারক হন্না এসেমব্লি মীখলদা মায় পাক্লকখ্রবা জয়রাম থাকুরবু হিমাচল প্রদেশকী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা খল্লবা য়াই হায়না থাজনরি। অনীরক হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইখ্রবা প্রেম কুমার ধুমালসু অমুক হন্না ফম অসি পায়হল্লকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।



# লৈচিল থাংবদগী দিল্লিদা ট্রেন ১৫ কেন্সেল তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২৩ (এজেন্সী):

দিল্লিদা ঙসি অয়ুক কা হেন্না মম্বা মওংদা লৈচিল নোংফাই থাংবদগী ট্রেন ১৫ কেন্সেল তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা ৩৪ মতম থেংথহনখ্রে। উবা ঙম্বগী চাং ৱাৎপা মরম্না ট্রেন মরিসু নৌনা মতম লেপখি।

ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি)গী রিপোর্ট মতুং ইন্না দিল্লিদা খ্বাইদগী ঈংবা অমসুং শাবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রী ১০দগীনা ২৫ ফাওবা ওইরবা য়াই হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ৮.৩০ তাবদা কেপিটেল সিটিগী নুংশিৎতা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ৮৬ ওইখি। অৱাং থংবা ইন্দিয়াগী শরুক অয়াম্বা কা হেন্না ঈংবগা লোয়ননা লৈচিল থাংবদগী মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্ল হন্দুনা লাকখিবনি।

দিল্লি, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং হিমাচল প্রদেশনচিংবা মফম অয়াম্বদা কা হেন্না ঈংবগা লোয়ননা উবা ঙম্বগী চাং হন্থরকপদগী ট্রেন অমসুং ফ্লাইট সার্বিসতা চাউনা অপনবা পীরি। মমাঙ চয়োলদগী হৌনা অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা লৈচিল থাংবগা লোয়ননা দিল্লি, পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, রাজস্থান অমদি হিমাচল প্রদেশতা কা হেন্না ঈংখি।

চৈরকসিদা, দিল্লিগী ওইনা নুংশিৎ মোৎপবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী মীয়ামগী হকশেলদা খুদোংথিবা থোকহল্লকপা য়াই হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)না ফোঙদোকখ্রে।

দিল্লি গভর্ণমেন্টকী নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমদা নেসনল গ্রীন ট্রাইব্যুনেল (এন জি টি)না ওদ-ইভন স্কিমদা কাঙ্খোং অনী পানবা গাড়ীশিং কোমথোকপগী ৱাফম লৈরোই হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি) গভর্ণমেন্টনা থাঙ্গৎলকখিবা রিভিয়ু এপ্লিকেসন অমা রিজেক্ট তৌরদুনা এন জি টিনা হায়খি, কাঙ্খোং অনী পানবা গাড়ীশিং কোমথোকপা তারবদি ওদ-ইভন স্কিম চৎনহনবগী ৱাহন্থোক লৈররোই।


## EDUCITY TUTORIALS

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL- 795004

**ADMISSION OPEN**

FOR

**FOUNDATION COURSE CLASS - I to X**

SUBJECT:-
I to VIII (All Subject)
IX and X (Maths, Eng., Sc., S.Sc)

CLASS I to V (Rs. 800/ month)
Class VI to IX (Rs. 1000/ month)
Class X (6 months Course Fee of 10,500)

CLASS TIMING:-
6:00 AM to 8:00 AM (MORNING)
4:00 PM to 7:00 PM (EVENING)

* LIMITED SEATS
* VAN FACILITY
* HOSTEL FOR BOTH BOYS & GIRLS @ Rs. 3500/- PER MONTH

SPECIAL FEATURES:-
* Q & A Analysis (Frequent Weekly Test)
* Possible Suggestion
* Free & printed study materials to each students

10% discount for the student who secure 1st to 5th Position in their school

CLASS STARTING - 4TH JANUARY, 2018 CONTACT: 9612194500

HL-P/3052/11-25Dec.



## / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

Lalambung Makhong Pukhri Mapal লম্বীগা হেক তায়নবদা লৈবা 13x67 Sq. fts. পাক চাওবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ ফাওবিরকপা য়াগনি।

BROKER ARE NOT ACCEPTED

HL-P/3075/24 ☎ 9089424669 / 8974123601



## য়াম্না হরাওবগী খবরদা থাগৎচবনে



L. Sudhakar

ঐগী KIDNEY অনীমক্তা অমদি RIGHT URETER দা নূঙ অহুম লৈবদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হিদাক হপ্তা ১ (অমা) খক চারবা মতুংদা অলট্রা সাউন্দ লৌদুনা য়েংবদা নূঙ অমত্তা লৈরমদরে। মসিদা ঐনা হরাওমনবগী খবরগী থোংদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচবনে।

Sd/- TH. POUJEANWI
Thingra Tamenglong District

HL-P/4834/24


## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER III, LAMPHELPAT

*Ref:- Mut. Case No. 180/AS & SO-III* *Dt. 22/12/2017*

R.K. (Ongbi) Debjani Devi W/o R.K. Dayananda Singh of Purana Rajbari II Wangkhei Angom Leikai

-Vrs-

Late R.K. Dayananda Singh S/o (L) Sanajaoba Singh of Purana Rajbari II Wangkhei Angom Leikai.

### /NOTICE

Imphal, Dt. 23/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক্কী পাট্টা নং ১৫৭৫/২০৭৬ অনৌবা, হাল দাগ নং ৮১০/৯১৩ এরিয়া ০.০১৩৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদার অসিগী নুপীদা নামা ওনবীরো হায়দুনা AS & SO-III গী কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংলবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিশুবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা আপতি (ওবজেক্সন) তৌবীরকপা য়াগনি। নৎত্রবদি নুমিৎ তরেৎনি হেক শুবগা আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজরগনি।

*Sd/-* **Assistant Survey & Settlement Officer-III, Lamphelpat, Manipur**

HL-P/270/24

## PORUMPAT INDANE GAS SERVICE

### /NOTICE

M/S Porompat Indane Gas Service, Porompat has re-opened from 20th Dec., 2017. All our Esteemed consumers who were transfered to M/S GBD Indane, are hereby requested to report to our showroom during working hour from 8:00 a.m. to 4:00 p.m. with their original Blue-book and original SV (Subscription Voucher) and Photo Copies of Aadhaar, Bank Passbook, 2 Passport size photograph with their registered mobile number for re-activation.

HL-P/4835/24 *Sd/-* **Manager**


## /ওজা অব্দুল হক পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা অতাংবা ওজানি

অমুক্তং ওজা কবিরাজ অব্দুল হক-কী হিদাক চাদুনা পুন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু। মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলকী অৱাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি, পৈশাতা তিংখি। অনাবদি ফবা ঙমখিদে। মমৈদা **ওজা অব্দুল হক**-কা থেংনজবদগী ওজাগী হিদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৱাবা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙহাম্বদা ঈ য়াওবা, চেকখায়রগা শৌজ মপান্দা থুপ্পা শাবা, চিকপা, অমাঙথোংগী অকোয়বদা ফুরি মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবা, শৌজগী মনুংদা পোম্বা, ইনখৎত্রিবা ফাওবা চংউ য়াদবনি। অদুবু অৱাবা নুংঙাইতবা পুম্নমক অসি মহাক্কী হিদাক চাবদগী ঙসিদি মপুং ফানা ফজরে। অনাবা লৈতবগুম তৌরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*থাগৎচরিবা :* **Saikhom Manigopal Meitei**
***Pishumthong Oinam Leikai***

HL-P/4831/24


## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

*Ref:- Mut. Case No. 450/SDC/NTK/2017*

Pukhrambam Birachandra Singh S/o (L) P. Norton Singh of Ningthoukhong Ward No. 11.

*... Petitioner*

-Vs-

Late Co-pattadar No. 2 Pukhrambam Norton Singh S/o (L) Gopal Singh of Ningthoukhong.

*... O.P*

### /NOTICE

Ningthoukhong, the 22nd Dec., 2017

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি 43-Ningthoukhong Awang গী Patta No. 43/112 (O) 375 (N) C.S. Dag No. 2203 an area 0.08 acre of Ingkhol Class অসি Pattadar No. 2 অসি মৃতু ওইখ্রে। মৃতু পাট্টাদারগী মহুত্তা মথক্তা পল্লিবা দংকারি মাগী মচানুপা অসিনা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অমদি মৃতু পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মরি-মতা অমসুং মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২৯/১২/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। উক্ত তাংগী মতুংদা লাকপা অপতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**
Ningthoukhong, Manipur

HL-P/275/24

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KUMBI, BISHNUPUR DISTRICT, MANIPUR

*Ref:- Mutation Case No. 812/SDC/KBI* *Date: 23/12/2017*

Parties: 1. Sougrakpam Ibochouba Singh S/o (L) Toljit Singh of Singjamei Makha Sougrakpam Leikai.

*... Petitioner*

-Vrs-

1. Sougrakpam Toljit Singh S/o (L) Sougrakpam Tonjao Singh of Singjamei Makha Sougrakpam Leikai.

*... O.Ps.*

### / NOTICE

Kumbi, the 23/12/2017

U/S 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরি লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ভিলেজ নম্বর ৬১-ৱাংঙু পাট্টা নং ৪৬৮ অনৌবা, সী. এস. দাগ নং ২১৫৪ an area 2.30 acres of phourel class লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু (শিখ্রে) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা লৈখিদ্রবা পাট্টাদার অসিগী মহুৎতা লম অসি মমীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরি লৈনবা মীওইশিংনা এস দি সী, কুম্বীগী কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌবীরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector, Kumbi, Manipur**

HL-P/4848/24

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

*Ref:- Mut. Case No. 1048/SDC/IW(P) of 2017*

1. Laishram Kanto Singh S/o (L) Biramangol Singh of Sagolband Yengkhom Leirak.
2. –Do– Sorojini Devi D/o (L) –do– of –do–.
3. –Do– Jiten Singh S/o (L) –do– of –do–.

*-Petitioners*

-Vrs-

Late Shri Laishram Biramangol Singh S/o (L) Dhbash Singh of Yengkhom Leirak.

*-O.P. Party*

### /NOTICE

23/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ই: ও: পাৎশোই তাহশিলগী খুল নম্বর ৮৩-লমজাওতোংবগী পাট্টা নম্বর ৭৩ (অরিবা), ৩১৫ (অনৌবা), দাগ নম্বর ৩৮৪ গী পোইন্ট ০.১১৬৫ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখ্রে। অদুনা মরম ওইদুনা মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী স্বতনি হায়দুনা মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদারগা মরী লৈনবা/লৈনবশিং অমদি মচা মশু, শাগৈ নাতৈ কনাগুম্বনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ২/০১/২০১৮ ইংগী অয়ুক পুং ১১:০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা চেরোলনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কোর্টকী হুকুম মখা চত্থরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/4850/24

## IN THE HIGH COURT OF MANIPUR AT IMPHAL

**W.P.(C) No. 545 of 2017**

**In the matter** of Writ Petition under Article 226 of the Constitution of India for the issuance of a writ in the nature of Certiorari/Mandamus or any other appropriate Writ/orders/directions directing the respondents to quash and set-aside the impugned Notification dated 19-12-2016(AT ANNEXURE-A/6) in respect of the private respondent for appointment to the posts of Science Graduate Teacher under RMSA, Manipur in the facts and circumstances of the present petition.

Md. Razak Ali, aged about 39 years S/o Md. Kasim Ali of Lilong Heinou Makhong, P.O. & P.S. Lilong, Thoubal District, Manipur.

***...PETITIONER***

-Versus-

The State of Manipur represented by the Chief Secretary, Chairman, Rashtriya Madhyamik Shiksha Abhiyan (RMSA), Manipur & 3 Ors.

***...RESPONDENTS***

**To**

1. Roshni Shahni (OBC-MP), bearing Roll No. SGT-02/10727, appointed as Science Graduate Teacher, RMSA, Manipur vide Impugned Notification No. AO/144/RMSA/2016(5)-DE(S): dated 19-12-2016.

***Respondent No. 4***

**NOTICE UNDER ORDER V RULE 20 C.P.C**
**(SUBSTITUTED SERVICE)**

Whereas the Hon'ble Court vide its order dated 18.12.2017 passed in WP(C) No. 545 of 2017 in the matter mentioned above has been pleased to permit the petitioner to serve notice to the Respondent No. 4 by way of "Substituted Service" through publication in 2 (two) local daily, 1 (one) in local vernacular and 1(one) in English vernacular returnable i.e. within 4 (four) weeks.

Now, therefore, notice is hereby issued to you by way of substituted service by making publication in the Newspaper requiring you to appear before the Court on or before the returnable date i.e. within 4 (four) weeks either in person or by a lawyer duly authorized.

If no appearance is made on your behalf, by yourself or by your lawyer or by someone authorized by law to act for you in the aforementioned Case on the date of appearance or before such later date on which the Case may be heard and decided Ex-Parte in your absence.

Signed and sealed by order of the Court this the 22nd day of December, 2017.

By Order,
**M.C. Nandi**
***Assistant Registrar-I***
High Court of Manipur
Imphal (Manipur)

**SEAL :**
By:- Mr. Th. Roson, Advocate
C/o Mr. M. Hemchandra,
Sr. Advocate

HL-P/272/24

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

### NOTICE

Imphal, the 22nd December, 2017

**No.1/3/14-ICDS(PSE):** Notice is hereby issued for general information that there has been some changes in the Department NIT of even number dated 06/12/2017 vide Department Corrigendum of even number dated 22/12/2017 and the same may be seen in the following websites.

i) **www.manipur.gov.in**
ii) **www.manipurtenders.gov.in**
iii) **www.socialwelfaremanipur.nic.in**

*Sd/-* **Ms. Jacintha Lazarus**
Director (Social Welfare)
Manipur

HL-B/4310/24


য়াওবীহৌ য়াওবীহৌ

## 5TH PHASE
## SANGAI MARUP
### (TENDER CUM LOTTERY)

লাক্লিবা ২০১৮ ফেব্রুৱারিগী তাং ১২, নিংথৌকাবা নুমিত্তগী হৌজরগনি। থাগী শেনখাই লুপা ২০০০/- ওইবা, ফাওরগা হুল্লরোইদবা মরুপনি। অপুনবা মেম্বর মশীং ৬০০ নি, তেন্দর ককপদা লুপা ১,৬০,০০০/- দগী হৌগনি অদুগা লোট্টরি ফাওবা মীনা লুপা ১০,০০,০০০/- (লাক্ষ ১০) ফংগনি। মরুপ অসিগী এজেন্ট খরা লৌজগনি, এজেন্ট অমনা মী ১৫ পুথোকপদা লুপা ২,০০০/- থা খুদিংগী ফংগনি। অথাপ্পা মীওইশিংগীদমক্তা থাগী শেনখাই ঐখোয়গী ওফিস ষ্টাফশিংনা মরুপ নোংমা-নিনি ৱাৎলিঙৈদা খোম্বা লাকচগনি। ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম জানুৱ্যারিগী তাং ২৫, ২০১৮ নি অদুগা ফেব্রুৱারিগী তাং ৮, ২০১৮ দনা পৈশা পীশিনগদবনি। থুনা য়াওবীহৌ, অৱাৎপা মেম্বর খরগীনি।

*অকুপ্পা মরোলগীদমক*
**SANGAI BUSINESS SERVICE**
**Hiyangthang**
***Contact*** ☎ **7085647209**

HL-P/274/24


## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; IMPHAL WEST - PATSOI

*Ref:- Mut. Case No. 1035/SDC/IW(P) of 2017*

Mutum Basanta Singh S/o (L) Rajmuhon Singh of Patsoi Part-III.

*-Petitioner*

-Vrs-

Late Mutum Rajmuhon Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Patsoi Part -III.

*-Deceased Pattadar*

### /NOTICE

22/12/2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুৎথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোইগী খুন নং ৮০-পাৎসোইগী পাট্টা নং ৮০/৪৬৪ (অরিবা), ৩১৮ (অনৌবা), দাগ নং ১২৯৪ গী এরিয়া ০.৫৮৫ একর ইঙ্খোলগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি মচানুপা অসিনা দখলগী অমদি স্বর্ত্তগী মতুংইন্না দাগকী মনিং থংবদা এরিয়া ০.১৭ একর অসি মহাক্কী মমীংদা নমা পানজরগে হায়দুনা উক্ত কোর্ট্টা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ২৯/১২/২০১৭ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবীদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চত্থরগনি।

*Sd/-* **Kherdananda P.**
Sub-Deputy Collector, Imphal West, Patsoi

HL-P/4850/24